# হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ওগষ্ট ১৮, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৪৩শুবা মশীং


## চৎনবীগী লীপুন তৎলব্রা

### মোরেল এদ্যুকেসনদা হেন্না মিৎয়েং চঙলসি

মণিপুর পিকচরবসু থোকহন্নীংদবা, তাহে-উহেদবা, থোরকফমসু থোক্তবা থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোকই। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসিনা জাৎ-কুচু, লাইনীং মান্নদবা অপিকপা ফুরুপশিংনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরক্লিবা চীংলৈবাকসিগী ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা থোইদোক্লা অকায়বা, অয়েৎপা পী। থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিসু ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। অদুবু থৌদোকশিং অসিগী মনুংদগী অমখক্তমক লৌখৎলবদা চৎনবীগী মতুংইন্না লুহোং-খোংদোংদুনা য়ূম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নরক্লবা নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তগী নুপী, য়ূমগী নুপী, য়ূম্বুরেম্বী ওইরক্লবীশিংগী মরক্তগী খরনা য়ূম্বানমিন্নরক্লিবা মপুরোইববু থাদোক-হুন্দোক্লমদুনা অতোপ্পা লম্লানবা নুপা অমদা চৎখিবগী থৌদোকসিনি। থৌদোকসি মণিপুরগী য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা থোকই হায়বা নত্তে। খরা খক্তমক, খুজোক অমখক্তমক থোকপনি। অদুবু অসিগুম্বা ফৎত্রবা, মথোং-মরম খঙদবগী তুক্কৎচরবা, মণিপুরী খুন্নাইগী মচৎ নত্তবা, ওন্ন-তৈনবগী থৌদোকসি ষ্টেটসিগী মেজোরিটি ওইরিবা ফুরুপ্তসু থোকই। মাইনোরিটি কাঙবুদসু থোকই। তোঙান-তোঙানবা চীংমী কাঙলূপশিংগী মরক্তসু থোকই। তোয়না হেক্তমক পাক্তক্লনা য়ূমথোঙ য়ৈনা থোক্তবসু মরক-মরক্তা হেক্তা থোকচিল্লকই। অদুবু মসিবু থোকহনফম থোকপ্রা হায়বসিনি। থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা থোক্লম্বদুনা অঙম্বা নিংথৌনা মিৎতাবা নুপীদুনা লৈশাবী ওইগেরা, মপুরোইবা অমসুং মচা লৈরবী মৌ ওইগেরা সনা য়াথং তাওথরগা নমদুনা লৌবনি। নুপী অমনা য়ূম্নাক অনী শুরকপা ওইরবসু মপুরোইবা লৈখিদ্রবী লুখ্রাবী নৎত্রগা মপুরোইবগা শেৎন-খায়নরবী নুপীশিংগী মরক্তগী খক্তদা থোক্লম্মী। মদুসু তোয়না থোকপা নত্তে। ৱারীনবা থৌদোক অমা অনীখক থোক্লম্বগী ৱানি। মসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপা য়াওরকপদনি ‘কৈন্য কৎপা’ কা হায়বা ৱাহৈশিং থোরকখ্রিবসি। অদুবু হৌজিক্তি নুপী অমনা মপুরোইবদগী হেন্দোরক্তুনা মচাশিং লৈদুনা য়ূম্বানমিন্নরক্লবা ফাউবদা অসিগুম্বা খুন্নাইগা তায়ওন্নবা থৌদৌসি তোয়না থোকচিল্লকপগুম তৌরকই। মসিগুম্বশিং অসিবু করিদগীনো? তোয়না থোকচিল্লক্তুনা খুন্নাইসিগী তমথীরবা লায়না অমা ওইরক্লবনিনা লায়েংহৌদুনা লায়নাসিবু খুন্নাইসিদগী মরূ ফৃক্তৎতুনা লংথোকখিনবা হোৎনহৌবা চুমগনি খল্লি।

ময়ূম-মকৈ পাল্লবা নুপীশিংনা অমুক্কসু ময়ূম পানবা য়ারোই হায়বা নত্তে। নুপীদুনা মরাইবক থীবদগী নৌনা লুখ্রা শীংদা চলহৌরবা নৎত্রগা মহাক্কী মফমদা মপুরোইবগী নুংশি-থৌজাল মীৎয়েং লোইথোকখিবদগী তাথী-তাওইনা তৌবিরক্তুনা ইন্থোকপীরক্তুনা শেৎন-খায়নবিরক্লগদি নুপীদুগী লেমহৌরিবা পুন্সি খোঙচৎতুগী চৈশু, পুন্সিগী উরুম থিরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। য়াহনফম থোকই, চৎনদুনসু লাকই। অদুবু মপুরোইবা অমসুং মচাশিংগা লৈমিন্নরিবা য়ূমগী নুপীশিংনা চৎহৈদবা লমচৎশিং চত্থরকপা হায়বসিদি খুন্নাইসিবু মশক থিহন্নবা থৌদৌনি। মসিগীসু মরম ময়াম লৈরমগনি। নুপীদুদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী তেকচাক লোইনমক নমশিনবসু অচুম্বা ওইরোই। অদুবু হায়রিবা থৌদোকশিংসি করিদগী থোরকপনো? মসিগী মরমশিংনা করিনো হায়বসিদি থিদোকপা চুমগনি। মশ্বাইদদি চৎনরিবা এক্ট, লো ময়ামসিগী মনুংদা মরী লৈনবশিংদা শেমদোক শাদোক্কদ্রা? হকথেংনবা প্রোভিজনশিং য়াওরমদ্রগনা নৌনা শেমদুনা হাপচিনগদ্রা? চৎন-কাঙলোন শেম্বা খক্তনা য়ারগদ্রা? মদুবু মীপূম তিংনা খঙহনবগী তঙাইফদবসু লৈব্রা হায়বসিনি। মণিপুরী খুন্নাইগীদি য়েলহৌঙৈদগী ফজখ্রবা, নাক-পু তাবা, মাংশোক ফম্মেন ফমদুনা নুপী ওইবীশিংবু ৱারক-ৱাতেন্লক্তুনা য়ূম্বাল্লোন, থকশি-খাশি নীংথিজনা তম্বীরকপগী ফজবা লীপুন অমা লৈজরক্লিবনি। মসিবু খাঙগুথক্কী লাইনীংনা নৎত্রগা মতমগী নুংশিৎনা হুমদুনা থদৎহনখিবা চুপ্লোই। ফজরবা লীপুনসি তৎখিদনবা তৎলম্লবসু শমজিন্নবা হোৎনহন্নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *“পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।”* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?
২) *“পুন্সিগী খোঙচৎতা”* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?
৩) *“নুংশিত্তি পাবা হৈতে”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো?
৪) *“কনাসু ঐগী মিং খঙদে”* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৫) *“নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্ত্রৈ লৈশিল্লৈ, য়ামদ্রৈ চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।”* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১)
২) অয়েকপম ভিমো, তাকয়েল খোংবাল মনীং লৈকায় (১, ২)
৩) ইবোচৌবা কোন্থৌজম, শগোলবন্দ তেরা খুরাইজম লৈরক - (১,২)
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২)
৫) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১,৪)
৬) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,৪)
৭) তোংব্রম সুনিতা, লুৱাংশংবম অৱাং লৈকায় - (১,২,৪)
৮) মৈস্নাম রাহুল, হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায় - (১)
৯) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স (১,৪)
১০) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৪)
***১১) লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোঙনাংমখোঙ - (১,২,৩,৪)***
১২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৪)
১৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৪)
১৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৩গী ৱিন্নর*

***লাইশ্রম এলেনা, তোপ খোঙনাংমখোঙ***

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চখোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২১গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঙ্গরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩গী পাউখুম

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা *‘লৌনম’* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? *:- শ্রী লোইতোংবম কালাচান্দ সিংহ, দ্রামা*
২) *“বীরবাহু তুবা”* হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো? *:- মুরারি অমসুং গোপি অনীনা হন্দোকপনি। (ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র; খৃ: ১৭১৩দা গরিবনিৱাজ মহারাজগী সনা য়াথং মতুংইন্না মুরারি অমসুং গোপি অনীনা কির্ত্তিবাসকী শ্লোক্তগী হন্দোকখিবনি। ৱাহৈ খরদং, লা i)*
৩) *“নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।”* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? *:- ‘ফমলোন’, (সম্পাদন তৌবা - নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ, অহানবা ফোঙবা, ১৯৮৭, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফাল, লা. ৮)*
৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে? *:- ‘দীপান্বিতা’ চেফোঙনি, কুমজা ১৯৭৫গী দিসেম্বর ১৬তা অহানবা ওইনা ফোঙখি। (এ কে সেরাম, ৱাহৈ খরা, “বাংলাদেশকী অখন্নবা মণিপুরী শৈরেং” সম্পাদন. হামোম প্রমোদ, লা. viii)*
৫) *“ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং দ্রমর গীত”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো? *:- নিংথৌজম খোলো সিংহনা ইবনি। (অহানবা ফোঙবা, ২০১৫ ইং)।*

# কোরোনাভাইরসপু ইনএক্টিভেট তৌবা ঙম্বা এল ঈ দি

## মসি অহোংবা মমলদা ইমুং খুদিংমক্তা ফংহনবগী মথৌ তারক্লে

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

সার্স-কোভ-২ (সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম কোরোনাভাইরস-২) অসিনা মালেমদা অকিবা ফংলবা, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অমা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদগী ঙসি ফাওবা শন্দোক্তুনা লৈরি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না মালেমগী মীওই ক্রোর ২০.৪ হেন্না কোভিদ-১৯না নাহনখ্রে, অদুগা মীওই লাখ ৪৩.২ হেনবগী পুন্সি পিখম্নহনখ্রে। (ওগষ্ট ১২, ২০২১) Worldometer না ওগষ্ট ১৩, ২০২১গী অঙনবা অয়ূক্তা পীখিবা পাউদমগী মতুংইন্না, ইন্দিয়াগী ওইনা মীওই ক্রোর ৩.২ হেন্না নাহনখ্রে অদুগা মীওই লাখ ৪.৩গী পুন্সি লোমহনখ্রে।





কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্টশিংগী মরক্তগী ইন্দিয়াদা পাক-শন্না শন্দোরক্লিবা দেল্টা ভেরিএন্ট অসিনা মী অমদগী অতোপ্পা মী অমদা শন্দোকপগী চাং হেনবগা লোয়ননা ইনফেক্সনগী চাংসু হেল্লি। অদুনা হেন্দ সেনিটাইজরখক্তনা, মহীকসিবু ইনএক্টিভ ওইহনবদা মতিক চারক্তে। স্প্রে নৎত্রগা জেলগুম্বগী মওংদা ফংলিবা সেনিটাইজরশিংসি মোবাইল ফোনগুম্বা ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎশিংবু সেনিটাইজ তৌবদা শীজিন্নবা হায়বসিসু ওইথোক্তবনি। অতোপ্পা অমরোমদনা, হৌজিক ওফিস, হোটেল অমদি অচৌবা বিল্ডিংশিংদা শীজিন্নরিবা অলত্রা-ভাইওলেট (য়ু ভি) রেদিএসন্না সেনিটাইজ তৌবা হায়বসিসু য়ূম খুদিংমক্তা শীজিন্নবগী খুদোংচাবা লৈরি। অদুনা মফম খুদিংমক্তা শীজিন্নবা য়ারিবা, হেন্না হোংবা এল ঈ দি লেম্পশিং পুথোরকপা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি।

কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগী পান্বৈশিংগী মনুংদা হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিন অসিসু মতিক চাবা ওইদ্রি, হায়বদি মসি চহী কাঙলূপ খুদিংমক্কী মীশিংদা কাপ্পা য়াদে, খুদম ওইনা অঙাংশিং, হায়পরইম্মুন দিসওর্দরশিং লৈবা অমসুং ইম্ম্যুনোসপ্রেসেন্টশিং শীজিন্নরিবা মীশিংদা শীজিন্নবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। অনৌবা ভেরিএন্টশিং অসিবু হৌজিক কাপ্নরিবা ভেক্সিন অসিনা চপ চানা থেংনবা ঙম্মী হায়বগী চপ চাবা প্রমানসু লৈবা নৎত্রি। অদুনা সেনিটাইজেসন তৌবগী অরাইবা পান্বৈ অমা থিরকপা তারকই।


UV সেনিতাইজর অমগী মমি

‘জর্নেল ওফ ফোটোকেমিষ্ট্রি এন্দ ফোটোবাইওলোজি বি বাইওলোজি’ (নবেম্বর, ২০২০) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, টেল অভিভ য়ুনিভর্সিটি (টি এ য়ু) গী সাইন্টিষ্টশিংনা মমল হোংবা, থুনা অমসুং মতিক চানা কোরোনাভাইরসপু হাৎপা ঙম্বা ‘অলত্রাভাইওলেট লাইট-ইমিতিং দাইওদ (য়ু ভি-এল ঈ দি) শিং পুথোকপা ঙল্লে হায়রি। থিজিনবগী থবক অসি টি এ য়ুগী স্কুল ওফ মেকানিকেল এঞ্জিনিয়রিংদা ইনভাইরনমেন্টল এঞ্জিনিয়রিং প্রোগ্রামগী হেদ, প্রোফেসর Hadas Mamane না লুচিংখিবনি। মহাক্লা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না কার, বস, ত্রেন, ষ্টেদিয়ম, য়ূম নৎত্রগা এরোপ্লেন অমবু দিসইনফেক্ট তৌনবগীদমক কেমিকেলশিং কাপ্পা হায়বসিগী খুদোংচাবশিং লৈ। মসিদা মেনপৱার চংই, অদুগা কেমিকেলশিংদুনা মথৌ পাঙথোক্লবগীদমক মতম খরা ঙাইবগী মথৌ তাই। অদুবু এল ঈ দি বল্বশিং শীজিন্নরগা দিসইনফেক্ট তৌবা মতমদদি, এল ঈ দিশিংদু ভেন্টিলেসন সিষ্টম অমসুং এয়র কন্দিস্নরশিংদা হাপ্পা য়াই অদুগা মনুংদা চঙলক্লিবা নুংশিৎতুবু ষ্টেরিলাইজ তৌরবা মতুংদা কা মনুংদা থাজিল্লকপা য়াই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোক্লি।



এলুমিনিয়ম-গালিয়ম নাইত্রাইদ LEDগী শক্তম তাকপা

টি এ য়ুগী থিজিন-লূপ অসিনা য়ু ভি-এল ঈ দিগী করম্বা ৱেভলেংথনা কোরোনাভাইরসপু দিসইনফেক্ট তৌবগে হায়না চাং য়েংনবগীদমক, ৱেভলেংথনা নানোমিটর (এন এম) ২৮৫, ২৬৫ ওইবা এল ঈ দিশিং খনগৎখি। ২৮৫ এন এমগী এল ঈ দিশিংনা ২৬৫ এন এমগী এল ঈ দিশিংগুম্না কোরোনাভাইরসকী ৯৯.৯%দগী হেন্না, সেকেন্দ ৩০গী মনুংদা দিসইনফেক্ট তৌবা ঙল্লম্মী। মখোয়না ফংলক্লিবা মহয়সি শিংথানীংঙাইনি মরমদি ২৮৫ এন এমগী এল ঈ দি বল্বশিংসি ২৬৫ এন এমগী বল্বশিংদগী হোঙবা য়াম্না হেল্লি অদুগা হেন্না মরাং কায়নসু ফংই। থিজিন-লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা এল ঈ দিশিংসি রোবোটিক সিষ্টমশিং নৎত্রগা এয়র কন্দিস্নিং, ভেক্যুম ক্লিনর অমসুং ৱাটর সিষ্টমশিংদা হেন্না চুনবা মওংদা শেম-শারগা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

মতাং অসিদা কাউরোইদবা ৱাফম অমদি মখোয়গী পান্বৈসি কা মনুং/ইমুংদা লৈবা সরফেসশিংবু দিসইনফেক্ট তৌনবগীদমক শীজিন্নবা হায়বসিদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাইনি। অদুনা অলত্রাভাইওলেট মঙালনা মীওইবদা হকথেংননা য়ৈখিদনবগীদমক সিষ্টম অমা শেমগৎপগী মথৌ তাই হায়রি। থিজিনবগী থবক অসি ওরানিম কোলেজগী প্রোফেসর Yoram Gerchman, তেল হাশোমরদা লৈবা শেবা মেদিকেল সেন্টরগী নেসনল সেন্টর ফোর ইনফ্ল্যুঞ্জা এন্দ রেস্পিরেটরি ভাইরসেসকী দিরেক্টর Dr. Michal Mandelboim অমসুং সেন্টর অসিগী Nehemya Friedman গা খূৎশম্ননা পাঙথোকখিবনি।


অসুম্না কোরোনাভাইরসপু ইনএক্টিভ ওইহনবগী মতাংদা থিজিনবগী থবক অমসু পাকিষ্টানগী গুলাম ইশাক খান ইন্সটিট্যুট ওফ এঞ্জিনিয়রিং সাইন্সেস এন্দ টেক্নোলোজিগী থিজিন-লূপ অমনা পায়খৎখি। মখোয়গী পাউদমদু ওগষ্ট ৪-৬, ২০২১দা পাঙথোকখিবা ‘এ আই পি পব্লিশিং হোরাইজন্স - এনর্জি ষ্টোরেজ এন্দ কনভর্সন ভার্চ্যুল কনফরেন্স’ তা তারিক জামিল, মুহমদ উস্মান, হাবিবুলাহ জামাল অমসুং সিবগাতুলাহ খাননা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবনি। মখোয়না খন্নখিবা হীরমদুনা, ‘দিজাইনিং ২২২ nm III - নাইত্রাইদ-বেজদ Far UVC LEDs পোর দ দিসইনফেক্সন ওফ সার্স-২ কোভিদ-১৯’ নি।

থিজিন-লূপ অসিনা ফার-অলত্রাভাইওলেট LED (UV-C LED) শিংবু ২২২ এন এমদা খনখিবগী মরমদি মসিনা ভাইরস অসিবু মপূং ফানা ইনএক্টিভেট তৌবা ঙম্বা অমসুং মীওইবগী উনশাদা শাফবা ওইবদগীনি। লূপ অসিনা য়াম্না কান্নরবা, মমল হোঙবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা থোইদোক্লা অকাইবা পীদবা III - নাইত্রাইদতা য়ূম্ফম ওইরগা এল ঈ দিসি শেমগৎলকখিবনি। III - নাইত্রাইদ UV-C LED শিংসি মেদিকেলগী খূৎশু-খূৎলায়শিং, পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্টশিং অমসুং ফোন, কোলোমগুম্বা পোৎশিংবু ষ্টেরিলাইজ তৌবদা নত্তনা ক্লিনিকেল এপ্লিকেসনশিংদা লায়না হাপচিনবসু য়াই। ●

# নিরজ চোপ্রা, ওলিম্পিক চেম্পিয়ন

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

হরয়ানাগী নিরজ চোপ্রানা টোকিও ওলিম্পিক্তা তা লংবদা মহাক্কী নক্লবা লম্বা খা-অফ্রিকাগী জোহন গ্লোল্লরবু মায়থীবা পীদুনা এথলেটিক্সকী থৌরমদা ওলিম্পিক্কী অহানবা সনাগী তকমান ফংবা ইন্দিয়াগী এথলিট অমা ওইরকপা অসিদা লৈবাক পূম্বনা অমদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা চাওথোকচবগা লোয়ননা মহাকপু মায়কৈ খুদিংমক্তগী থাগৎপা ফোঙদোক্লরকপা খক্তা নত্তনা মখোয়না অঙম অঙম্বা মখল কয়াগী মনা মথুমশিং, শেলগী মনা য়াওনা পীবিরকখি। মহাক্কী মমাঙদা কুমজা ২০০৮দা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা শুটিং (নোংমৈ কাপ্পা) গী খূৎ চুম্বা তান্নবগী থৌরমদা অভিনাভ বিন্দ্রনা সনাগী মেদল ফংদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখি। অদুবু মীয়াম্না খল্লিবদি নোংমৈ কাপ্পদা খূৎ চুম্বা তান্নবগী থৌরমদি ইনাক খুনবা নোংমৈ লৈবা ঙম্বা, নুমিৎ খুদিংগী নোংমৈ মরূশিং লৈদুনা শীজিন্নবা ঙম্বা, ইমুংগী নুপা নুপী খক্তমক্লা শরুক য়াবা মরম্না থৌরম অসিগীদমক চেম্পিয়ন ওইনবা হোৎনবগী শান্নরোয় মশীং য়ামদে।



ওলিম্পিক্কী লাইরিকশিংদা অসুম্না ইরি মদুদি কুমজা ১৯০০দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ওলিম্পিক গেমসতা নোরমান প্রিটচার্দ (Norman Pritchard) কৌবা গ্রেট বৃটেন মচা অমা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মিটর ২০০গী লমজেলদা অনীশুবা তাদুনা লুপাগী মেদল ফংখি। মহাক কোলকত্তাদা লৈবা ইংলিস মচানি। মরম অদুনা রেকোর্দকী লাইরিকশিংদা অসুম্না ইরি।

মিটর ২০০গী ফাইনেল :

অহানবা জে ৱালতর তিভর্কবরি (য়ু এস এ) সেকেন্দ ২২.২, অনীশুবা নোরমান প্রিটচার্দ (ইন্দিয়া সেকেন্দ ২২.৮, অহুমশুবা ষ্টেনলি রোওলেয় (ওষ্ট্রেলিয়া) সেকেন্দ ২২.৯ ওইরমখি। তা অসি মমাঙঙৈগী মতমদা ইশা ঙাকথোক্লবা, শা তানবদা অমদি য়েক্লবগা লান তৌনবদা শীজিন্নবা খূৎলায় অমনি। মরম অদুনা হরাও কুম্মৈ পাঙথোকপদা খূৎলায় অসিগা মরী লৈনবা থৌরমশিংসু য়াওনরম্মী। ঐখোয়গী লমদম অসিদা য়েক্লবগা লান শোক্লবদা থাঙ-তাগী মতেংনা ঐখোয়গী লৈবাক অসি বর্মানচিংবা মতিক ময়াই লৈবা লৈবাকশিংগা অকনবা লম্বা তৌবা ঙমজখি।

গ্রিকশিংগীসু তা অসি মণিপুরগুম্না মখোয়গী মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইরমখি। মরম অদুনা গ্রিসকী লৈবাক অমগা অমগা মখোয় মশেল য়াম্না তোয়না লান শোক্লবা মরম্না তা অসি মখোয়গী পুন্সিদা য়াম্না দরকার ওইবা খূৎলায় অমা ওইখি। খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬তা অহানবা ওইনা ‘ওলিম্পিয়া’ দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ‘লমজেল মতেক’ অমখক্তমক ওলিম্পিক্কী থৌরম ওইখি। চহী খরগী মতুংদা খৃষ্ট মমাঙ ৭০৮দা ‘পেন্তাথলোন’ অসি অনীশুবা থৌরম ওইনা ওলিম্পিক গেমসতা য়াওহনখি। পেন্তাথলোন্দা শরুক য়াবশিংনা থৌরম মঙা পাঙথোক্কদবনি। মখোয় অদুদি লমজেল, চেঞ্জোং, দিস্কস লংবা, তা লংবা অমদি রেষ্টলিংনি।

কুমজা ১৮৯৬তা ‘এথেন্স’ তা অহানবা ওইনা মোদর্ন ওলিম্পিক পাঙথোকখিবদা তা লংবা অসি থৌরম অমা ওইনা য়াওহনখিদে। থৌরম অসিদি কুমজা ১৯০৮দা লন্দন সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা ইহান হান্না এথলেটিক্সকী থৌরম অমা ওইনা য়াওহনখিবনি। মদুদা স্বিদেনগী ইরিলেম্মীংনা ফুট ১৭৯ ইঞ্চি ১০ লংদুনা মালেমগী রেকোর্দ থুগাইদুনা মকোক ওইখি। ইরিলেম্মীং ফুট ৬ ইঞ্চি ৩ ৱাংই, চহী ২৬শুরে, মহাক্কী নক্লবা লম্বাদি নোরৱেগী অমে হালসেনি। তা অসি গ্রাম ৮০০ লূমগদবনি, মিটর ২.৬০দগী মিটর ২.৭০ ফাওবগী মনুংদা শাংগদবনি। মসি উ নৎত্রগা ধাতুনা শাগদবনি। নিরজ চোপ্রা কুমজা ১৯৯৭কী দিসেম্বর ২৪দা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা মমীং চৎলবা লানফম ওইখিবা পানিপটতা পোকখি। মহাক্লা কুমজা ২০১৬তা থৌরম অসিদা জুনিয়র ৱর্ল্ড রেকোর্দ থুগাইখি। চহী মঙা লৈরগা কুমজা ২০২১দা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ থুগাইদুনা হৌজিক ফাওবা নেসনলগী রেকোর্দ মিটর ৮৮.০৭ অসি মহাক্কী রেকোর্দনি। শক্লপদা মহাক্লা পায়রিবা রেকোর্দশিংদি মখাদা পীজরি।

নিরজ চোপ্রাগী পর্ফোর্মেন্স :- (১) ওলিম্পিক গেমস টোকিও ২০২১ গোল্ড, (২) এসিয়ন গেমস ২০১৮ (গোল্ড), (৩) কম্মনৱেল্থ গেমস ২০১৮ (গোল্ড), (৪) এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ (গোল্ড), (৫) সাউথ এসিয়ন গেমস ২০১৬ (গোল্ড), (৬) ইন্দিয়াগী রেকোর্দ (৮৮.০৭ মিটর) ২০১৭, (৭) ৱর্ল্ড জুনিয়র রেকোর্দ (৮৬.৪৮) ২০১৬।

মহাকপু তম্বীরিবা কোচশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং চৎপদি জর্মনিগী উৱি হোন (Uwe Hohn) নি। মালেম অসিদা তা লংবদা মিটর ১০০ লংবা ঙম্বা অসি মহাক মতোমতনি। মহাক্লা কুমজা ১৯৮৪গী জুলাই ২০দা বর্লিন্দা ‘ওলিম্পিক দে’ গী থৌরম অমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা এথলেটিক্স মিট অমদা মিটর ১০৪.৮০ লংদুনা হৌজিক ফাওবা রেকোর্দ অসি থুগাইবা ঙম্বা শান্নরোয় অমত্তা লৈখিদ্রি। অদুবু মহাক ওলিম্পিক্কী মেদলদি ফংখিদে মরমদি কুমজা ১৯৮৪দা লোস এঞ্জেলসতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা ‘সোভিয়েট লেন্দ’ কম্যুনিষ্টকী লৈবাক অসিনা লুচিংদুনা অমেরিকা (য়ু এস এ) দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা ‘বোয়কোট’ তৌখি, শরুক য়াখিদে।

মরম অদুনা উৱি হোন ওলিম্পিক অদুদা শরুক য়াবা ফংখিদে। মসিনা মহাক্কী হৈজরিবা মশান্না অদুগী মতিক মগুন মালেমদা খঙহনবা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্কী হেক ঙম্বা মখৈ তা লংবদা থৱায় য়াওবা এথলিটশিংবু মালেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা পূক্নিং হকচাং য়াওনা থবক তৌবা নুপানি। ইন্দিয়ানা মহাক্কী মতেং অমদি মহাক্লা লৈবাক অসিগী এথলিটশিংবু থৱায় হকচাং য়াওনা তাকপী তম্বীদুনা মালেমগী থাক্তা থাঙ্গৎপীবগীদমক হন্না হন্না থাগনিরক্লি। ●